# যু এস ওপন : সেরেনা ৱিল্লিয়মস, এন্দি মরেনা যু এস ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০২ :
ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং এন্দি মরেনা মফম অসিদা চত্থরিবা যু এস ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱিল্লিয়মসনা ফেল্লো অমেরিকান ভানিয়া কিংবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস মেচ ৩০৬ মায় পাকপসু ওইখি। মহাক্না গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস মেচ খ্বাইদগী মায় পাকপগী রেকোর্দ থল্লিবা মার্টিনা নভরাটিলোভাগসু মান্নবা ঙমখি।

সেরেনানা মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা মায় পাকপা অসিগী মতাংদা হায়, গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলসকী মেচ ৩০৬ মায় পাকখিবা অসিনা ঐগী খ্বাইদগী শান্তি ফংবা হায়বদু ওইরে হায়না ফোঙদোকখি। সেরেনানা হৌজিক যু এস ওপনগী টাইটল তরেৎমক লৌবা ঙম্বা প্লেয়র অমা ওইবা ঙম্নবা তান্নবদা নত্তনা ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস টাইটল লৌনবসু পান্দম থল্লিবনি। হায়রিবা অনী অসি মহাক্না ফংবা ঙল্লবদি ওপন ইরাগী রেকোর্দসু ওইরগনি।

মহাক্না রেঙ্ক ৮৭ শুবদা লৈরিবা ৱাইল্ড কার্দ কিংগী মায়োক্তা এস ১৩ কনখি অমদি অপুনবা ৱিন্নর ৩৮ লৌবা ঙমখি। মহাক্না লাষ্ট সিক্সটিনগী মফম কন্ননবগীদমক স্বিদেনগী রেঙ্ক ৪৬শুবদা লৈরিবা জোহান্না লার্সনগা লম্বা তৌদুনা মথং রাউন্দদা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর টু বৃটেনগী এন্দি মরেনা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা স্পানিয়ার্দ মর্সেল গ্রানোল্লরসপু ৬-৪, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মরেনা মথংগী রাউন্দদা ইটালিগী পাওলো লোরেঞ্জিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পাওলো লোরেঞ্জিনা ফ্রেঞ্চকী গিলেস সিমোনবু ৩-৬, ৬-২, ৬-২, ৬-৭ (১/৭), ৭-৬ (৭/৩) দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা অমেরিকাগী ১৯ শুবা সীদেদ ষ্টেভ জোন্সনবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মার্টিন দেল পোট্রোনা কুমজা ২০০৯ গী যু এস ওপন ট্রোফি লৌখ্রবা মতুং মহাক্কী খুদাংদা সর্জরি মরিরক তৌখিবদগী নিংথি-নুংঙাইনা শান্নদনা লাকখিবনি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৪২ শুবদা লৈরিবা দেল পোট্রোনা মহাক্কী অশোকপদুবু লায়েংদুনা ফগৎলক্লবগীমক অকনবা মওংদা হোৎনখিদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা অশোয়বা লাক্কদবা অদু মেনখৎনবা হোৎনখিবনি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিবা দেল পোট্রোনা ওপন অসিদা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা রসিয়াগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা ক্বালিফাইয়র কারেন খাচানোভপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মেচ অদু মথক কূপতবা কোর্টতা শান্নখিবদগী অকনবা নোং চূরক্কুনা মতম খরা শান্নবা লেপ্পুনা লৈখি।

অনীরক ওপন অসিগী সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখ্রবা অহুমশুবা সীদেদ স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কানা রেঙ্ক ২৪৩শুবদা লৈরিবা ইটালিগী ক্বালিফাইয়র অলেসান্দ্রো গিয়ননেসিবু ৬-১, ৭-৬ (৭/৪), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

নিপানশুবা সীদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা লিথুনিয়ন রিকার্দাস বেরাঙ্কিসবু ৬-৪, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো কারেনো-বুষ্টাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পাব্লো কারেনো-বুষ্টানা সার্বিয়াগী জানকো টিপসারেভিকপু ৩-৬, ৪-৬, ৬-২, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অষ্ট্রেলিয়াগী ১৪শুবা সীদ নিক কির্গিওসনা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসবু ৭-৫, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি। মেচ অদুদা কির্গিওসনা এস ২৭ কনখি অমদি ৱিন্নিং সার্ভ৪৮ গী মনুংদা ৪৫ লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মরিশুবা সীদ পোলেন্দগী অগনিস্কা রাদৱানস্কানা বৃটেনগী নাওমি ব্রোদিবু ৭-৬ (১১/৯), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা সীদ সিমোনা হালেপনা লুসি সাফারোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা সীদ ভেনস ৱিল্লিয়মসনা জর্মনিগী জুলিয়া গোর্জেসপু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। ভেনসনা যু এস এ ওপন অনী য়াওনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল তরেৎ লৌখ্রে। মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা ঙরাং মায় পাকখিবা অসিনা যু এস ওপনগী ৭০ শুবা মেচসু ওইখি।

অমরোমদা যুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা যু এস ওপনগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১৪ গী যু এস ওপনগী রন্নর-অপ ওইখিবা মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াকিনা কুমজা ২০০৪ গী চেম্পিয়ন সভেৎলানা কুজনেটসোভাবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি। ৱোজনিয়াকিনা মশাগী য়েৎথংবা খুনিংদা অশোকপা লৈখিবদগী মতম খরা ৱর্ল্ডগী ৭৪ শুবা রেঙ্কতা হাইথদুনা লৈখিবনি।

বৃটেনগী ৩৩শুবা সীদ জোহান্না কোনটানা বলগেরিয়াগী টসভেটানা পিরোনকোভাবু ৬-২, ৫-৭, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সীদেদ ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন এঞ্জেলিগ কার্বরনা মশাগী চহী ৪২ শুরবী ক্রেসিয়াগী মিরজানা লুসিক-বরোনিবু ৬-২, ৭-৬ (৯/৭) তা মায়থীবা পীখি।

কার্বরনা মথংগী রাউন্দদা মশাগী চহী ১৭ শুরবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সিসি বেল্লিসকা লম্বা তৌদুনা লাষ্ট সিক্সটিনগী মফম অমা কঞ্জনবগীদমক শান্নগনি।

ওপন অসিগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা রিচার্দ গ্যাসগেটবু মায়থীবা পীরমখিবা বৃটেনগী কেলে ইদমুন্দনা যু এস এগী ৱাইল্ডকার্দ আর্নেষ্টো ইস্কোবেদোবু ৭-৫, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোন ইস্নরনা বেলজিয়মগী ক্বালিফাইয়র ষ্টেভ দার্সিসপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৭ (১০/১২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

মহাক্না মেচ অদুদা এস ৩৮ য়ৈদুনা মহাক্কী লম্বা বেলজিয়নবু নক্কাৎখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা বৃটেনগী কেলে ইদমুন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ক্রোসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ মারিন সিলিকনা সর্গি ষ্টাখোভস্কিবু ৬-১, ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী অথেৎবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচতা কুমজা ২০১০ অমসুং ২০১৩ গী চেম্পিয়ন রফেল নদালনা ইটালিগী এন্দ্রেস সেপ্পিবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী রেকোর্দ ওইনা ৭-১ দা মায় পাক্কুনা চৎলি।

অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি মরিশুবা সীদেদ নদালনা ইটালিগী এন্দ্রেস সেপ্পিবু ৬-০, ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। মহাক্না রসিয়াগী এন্দ্রে কুজনেটসোভকা লম্বা তৌদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিনগীদমক মফম অমা কঞ্জবা ঙম্নবগীদমক হোৎনগদৌরি।

অতোপ্পা মেচ অমদা অনীরক ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পেট্রা কভিটোভানা টর্কিগী কাগ্লা বিয়ুকাক্কেবু ৭-৬ (২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

কভিটোভানা হৌজিক নম্বর ২২ সীদ ইলেনা সভিটোলিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। রসিয়াগী ইলেনা সভিটোলিনানা অমেরিকাগী লৌরেন দাভিসপু ৬-১, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবনি।

তরেৎশুবা সীদ রোবর্টা ভিন্সিনা অমেরিকাগী ক্রিষ্টিনা মেকহেলবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না মথংগী মেচতা জর্মনিগী কারিনা ৱিথোফটকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়ানা পুর্টো রিকোগা ঙসি ইন্টরনেসনেল ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচ শান্নরগনি

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০২ :
ইন্দিয়ানা রেঙ্কিংদা ৱাংখৎনা লৈননবগী পান্দমদা যুম্বু ওইদুনা পুর্টো রিকোগা হয়েং মফম অসিগী অনধেরি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ শান্নরগনি।



হায়রিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অসিগীদমক ইন্দিয়াগী প্রোবেবল লিষ্ট ২৮ দগী প্লেয়িং এলেভেনগী টিম অমা লাউথোকখ্রে। কুমজা ১৯৫৫ দা মতমদুগী যু এস এস আরগা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদুগী মতুং অহানবা ওফিসল ওইবা ইন্টরনেসনেল মেচ ওইনা হয়েং পুর্টো রিকোগা শান্নগদৌরি।

চহী ৬১ গী মতুংদা শান্নগদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অসিদা ইন্দিয়ানা অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা পুর্টো রিকোবু মায়থীবা পীননবগীদমক মিৎয়েং থল্লি। পুর্টো রিকোনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা শান্নগদৌরিবা অসিনা কনফিদরেসন ওফ নোর্থ, সেন্ট্রেল অমেরিকা অমদি কেরিবিয়ন এসোসিএসন ফুটবোল (কোনকাফ) রিজনগী টিম অমনা ওফিসল ওইনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা শান্নগদবা অহানবসু ওইরি।

পুর্টো রিকোনা হৌজিক ফিফাগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থানা ১১৪ শুবা মফমদা লৈরি। অদুগা ইন্দিয়ানা ১৫২ শুবা পোজিসনদা লৈরি। ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টেফন কোনষ্টান্টিননা পুর্টো রিকোগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা মেচ অসিদা ইন্দিয়ন টিমবু ৪-২-৩-১ ফোর্মেটতা শান্নহন্নবা শেম শারি।

ইন্দিয়ন টিমগী নহা ওইরিবা ষ্ট্রাইকর জেজে লালপেখলুআনা যুম্নুগী এটেক্কর ওইহনগদৌরি। হন্দক্তা আর্জুন এৱার্দ ফংখিবা সুব্রাটা পাউলগী মহুত্তা গুরপ্রিট সিংহ সন্ধুনা টিমগী গোলকিপরগী থোগায় পুহনগদৌরি।

সন্দেস জিংগান অমদি অর্নাব মোন্দালনা দিফেন্স মরিগী মনুংদা সেন্টরদা লৈহনগদৌরি। অতোপ্পা ফুলবেক পোজিসনদা লৈগদৌরিবা প্লেয়রশিং অদুনা নরায়ন দাস অমদি রিনো অন্টোনি। সেন্ট্রেল মিদফিল্ডর ওইনা ইন্দিয়ানা ইগনেসন লিংদোহ অমদি প্রোনে হালদরনা দাইত্ব্য লৌহনগদৌরি। মখোয়গী হেক নাকন্দা এটেক্কিং তৌননবগীদমক সুনিল সেত্রি, মণিপুরগী জেকিচান্দ সিংহ অমদি সুমিট পাসি থাদোক্কদৌরি।

পুর্টো রিকোনা মখোয়গী টিমগী ফ্রন্টলাইনর ওইনা শান্নরিবা হেক্টর রামোস, জোর্জ রিভেরা অমদি জোসেফ মারেরোবু টিম অসিদা পুরকখিদে। পুর্টো রিকোনা ৪-৪-১-১ ফোর্মেসনদা শান্নগদৌরি। মখোয়গী ফ্রন্টলাইনদা থাদোক্কদৌরিবা প্লেয়রশিংনা মাইকেল রামোস, এলেক্সিস রিভেরা, মার্কোস মার্টিনেজ, ইম্মান্যুএল দি এন্দ্রে, জাকোব কোন্দেনি। গোলকিপর ওইনা ক্রিষ্টোফর অলেকজেন্দর ইচেবারিয়ানা শান্নগনি।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল মেচ মঙাগী মনুংদা মেচ অনী মায়থীখি। অদুগা মেচ অহুম্না মায় পাকখি। ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা মায় পাকখিবা মেচনা মমাঙ থাদা ভুটানগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৩-০ দা মায় পাকখিবদুনা ওইরি। পুর্টো রিকোনা ওগষ্ট ৩১ দা দোমিনিকান রিপবিপ্লক্কী মখুৎতা ০-১ দা মায়থীবহৌরবা মতুং ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমগা শান্ননবগীদমক লাকখিবনি।

ইন্দিয়ন টিমগী প্লেয়িং এলেভেনদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা গুরপ্রিট সিংহ সন্ধুনি। দিফেন্দরদা রিনো অন্টো, সন্দেশ জিঙ্গা, অর্নাব মোন্দাল, নরায়ন দাসনি। মিদফিল্ডরদা ইগনেসন লিংদোহ, প্রোনে হালদর, জেকিচান্দ সিংহনি। ফোরৱার্দতা সুনিল সেত্রি, জেজে লাপেখলুআ অমদি সুমিট পাসিনি।

ফ্রেন্দলি মেচ অসি ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা কুমজা ১৯৫৫ দা শান্নখিবা অদুগী মতুংদা অহানবা ফ্রেন্দলি মেচসু ওইরগনি। লোয়ননা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা ইন্দিয়ানা অৱাংবা রেঙ্কতা লৈবা ওপোনেন্টগা মায়োক্নদুনা শান্নবা মরিশুবা ফ্রেন্দলি মেচসু ওইগদৌরি। ইন্দিয়ানা চহী মঙা অসিদা নন-এসিয়ন টিম অমবু যুম্বু ওইদুনা শান্নগদবা ইন্টরনেসনেল মেচসু ওইরগনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াদা জাম্বিয়ানা লাকখ্রবা মতুংদা পুর্টো রিকোনা লৈবাক অসিদা লাকপা অহানবা নন-এসিয়ন লৈবাকসু ওইরগনি। কুমজা ২০১১ গী নভেম্বরদা অফ্রিকাগী নেসন অসিনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা ফ্রেন্দলি মেচ অমা ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগা মায়োক্নদুনা শান্নখি। হায়রিবা মেচ অদুদা জাম্বিয়ানা ইন্দিয়াবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।


জাম্বিয়ানা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীদ্রিঙৈথা অনীগী মমাঙদা কুমজা ২০১২ দা অফ্রিকান কপ নেসনগী টাইটল লৌখিবনি। ইন্দিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা পুর্টো রিকোনা ওক্টোবর থাদা কারিবিয়ন কপ ক্বালিফাইয়রসগী অহুমশুবা রাউন্দ শান্নগদৌরিবনি।

মথং চহীগী মার্চ থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ ক্বালিফাইয়রগীদমক ইন্দিয়ানা অকনবা শেমশাবগী থবক চঙশিল্লিবনি।

কুমজা ২০১৪ দা অরোইবা ওইনা ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১০২ দা লৈরিবা পেলেষ্টাইনগা মায়োক্নদুনা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা পেলেষ্টাইনগী মখুৎতা ৩-২ দা মায়থীখি অমদি চহী অদুদা ১৭১ সুবা রেঙ্কতা লৈখি।

ইন্দিয়ানা নেম্না লৈরিবা রেঙ্কিং অসি ৱাংখৎহনগে হায়বা তারবদি ফোরেনগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা টিমশিংগা শান্নবসু মথৌ তারি। করিগুম্বা সেপ্টেম্বর ৩ গী মেচ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবদি রেঙ্কিংদা হাইগৎকদৌরিবনি।

# মণিপুরনা স্পোর্টসকী লমদা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থানা চৎলি



এল বোম্বেলা (আর্চর)




পি সুশিলা (হোকি)



টি ঐচ অনুরাধা (হোকি)



এস মিরাবাই চনু (ৱেঠলিফটিং)



কে চীংলেনসনা (হোকি)



কে ঐচ কোথাজিৎ (হোকি)



শিভা থাপা (বোক্সর)



দিপা কর্মাকর (জিম্নাষ্ট)

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ : ব্রাজিলনা যুম্বু ওইদুনা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১১৮ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অদুদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী শান্নরোয় নিপান য়াওবগী মনুংদা মণিপুরদগী তরুক য়াওখিবা অসিনা ষ্টেট অসিনা শান্নবগী লমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থানা চৎলি হায়বদু তাক্লি।

ইন্দিয়াগী শান্নবগী পৱার হাউসনি হায়না খঙনরিবা মণিপুরনা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা মসিগী শান্নরোয় তরুক্না লৈবাক অসিগীদমক মহুৎশিনবা ঙমখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীশিংগা পাথোক্নরবদি খ্বাইদগী মশিং য়াম্বসু ওইরি অমদি ষ্টেট ষ্টেটশিংগী শান্নরোয় মশিংগা পাথোক্নরুবদসু পংনোপ-নোপ্পা হায়বদু ওইদ্রি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুবা অৱাং নোংপোক লমদমগী শান্নরোয়শিং অদুদি আসামগী বোক্সর শিভা থাপা, ত্রিপুরাগী জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকর অমসুং মণিপুরগী আর্চর লাইশ্রম বোম্বেলা, নুপা হোকিগী কে ঐচ কোথাজিৎ অমদি কে চীংলেনসনা, নুপী হোকিগী ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন পি সুশিলা অমদি টি ঐচ অনুরাধা অমসুং ৱেঠলিফটিংগী এস মিরাবাই চনুনি।

হন্দক্তা মণিপুরদা লাক্লম্বা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজুনা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী মতাংদা ফোঙদোক্লমখিবদা মণিপুর অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা শান্নখোৎনবগী লমদা মাঙজিল থানা চৎলিবা ষ্টেট অমনি। মসিগী চপ চাবা খুদমদি গেমস অদুদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওলেম্পিয়ন নিপানগী মনুংদা মণিপুরদগী তরুক পুথোকপা ঙম্বা অসিনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ওলেম্পিয়নশিং অসি চৎলিবা থা অসিদা ন্যু দেল্লিদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী এৱার্দশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখি।

যুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ৭০ সুবা অজাদি য়াদ করো কুরবানিগী শরুক অমা ওইনা ফ্রিদম ফাইটর রাণি গাইদিনলিয়ুগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাক্লমখিবনি।

অমরোমদা থা অসিগী ৩১ দা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুকয়াখিবা মণিপুরী ওলেম্পিয়ন তরুক হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ইন্সেন্টিবশিং য়েম্থোকখি।

হায়রিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা মণিপুরী শান্নরোয়শিংবু থাগৎলদুনা হায়খি, রিও গেমসদা শরুক য়াখিবা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লৌবা ঙল্লক্ত্রবসু টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২ শুবা ওলেম্পিক্সতা শোয়দনা মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়বা ৱাফম থমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা মণিপুর অসি অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু রিও গেমসগীদমক ওলেম্পিয়ন ৬ পুথোকপা ঙল্লি। মসি মীশিং য়াল্লবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুরবদি চাউথোকচনিংঙাই অমনি। ষ্টেট অসি লায়রবা ষ্টেট ওইবনা মতমগা চূনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, খুৎশু-খুৎলাইশিং অমদি অফবা কোচশিংগী মশিং ৱাৎলি হায়রদুনা মতুং তারকপা মেজর গেমশিংদা নিংহন্নবা তৌদনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকহন্নিংবগী অপাম্বা থমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ওলেম্পিয়ন তরুক্তা লুপা লাখ ২৫/২৫ সু ইন্সেন্টিব ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা খুৎশিন্নখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বেলজিয়মগী মখুৎতা মায়থীদুনা নিংবা কায়না লৈহৌখিবনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ লীগ মেচতা মেচ অনী মায় পাকখিবা, মেচ অনীনা মায়থীখিবা অমদি মেচ অমনা দ্রো চৎখিদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭ ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অদুদা য়াওখিবা মণিপুরগী হোকি প্লেয়র কে ঐচ কোথাজিৎ অমদি কে চীংলেনসনানা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচতা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

# দুরান কপ : আর্মি রেদনা দেম্পো এস সিবু, ইন্দিয়ন নেভিনা মিনরভাবু মায়থীবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ : হান্নগী চেম্পিয়ন দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা মফম অসিদা চত্থরিবা দুরান কপকী শগোলশেল নুমিৎতা অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা পুল বিগী মেচতা আর্মি রেদকী মখুৎতা ২-১ দা মায়থীহৌদুনা নোকআউট ষ্টেজদগী লৈহৌরে।



অমরোমদা মফম অসিমক্তদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেচতা ইন্দিয়ন নেভিনা মিনরভা এফ সিবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা আর্মি গ্রীননা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱাবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

অকনবা নোং চূখিবদগী মফম অসিগী হার্বক্স ষ্টেদিয়মগী ফীভম ফৎখিদবনা অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা মেচ অহুম শান্নখি। গ্রুপ বিগী মেচতা আর্মি রেদ অমদি দেম্পো এস সি অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। ইন্দিয়ন আর্মিগী টিম অমা ওইরিবা আর্মি রেদনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌশিনখি। মখোয়না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়গী মিদফিল্ডর সি লালিয়নমাউৱিয়ানা মায়োক্নখিবা দেম্পো এস সিগী মায়কৈদা কাওশিনখিবা বোল অমা গোল পোষ্টকী মথক্তা চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না ফাষ্ট হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দেম্পোসু হনবা লৈতনা আর্মি রেদকী মায়কৈদা তকখৎলকখি। মখোয়গী কিপর টাইসন কিয়াদোনা কাওশিল্লকখিবা বোলশিং সেভ তৌদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে। অদুবু মেকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা আর্মি রেদকী ফংখিবা পেনালটিদা লাল্লিয়ানমাউৱিয়ানা নিংথিনা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্কুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। দেম্পোসু হনবা লৈতনা আর্মি রেদকী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচ মিনিট ৭৫ চৎপা মতমদা মখোয়গী মিদফিল্ডর মারিও মাসক্রেনহাসনা গোল পোষ্ট মনুংদা হেদিং তৌশিনখিদুনা ইক্কোলাইজ তৌখি। মেচ লোইগদবা মিনিট অনী ৱাৎলিঙৈ মতমদা আর্মি রেদকী ফ্রান্সিস জোনুথঙ্গানা গোল অমা চনশিনখিদুনা মেচ অদু ২-১ দা মায় পাকখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেচ অমদা ইন্দিয়ন নেভিনা মিনিট ১০ গী মনুংদা থংনথংননা গোল অহুম চনশিনখিদুনা মিনরভা এফ সিবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়ন নেভিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পৱনদিপ সিংহনা গোল অনী অমসুং লালচহুআনমাভিয়ানা গোল অমা চনখি।

টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ন নেভিনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিদুনা মেচ অদু দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। মিনরভা এফ সিনা মায়োক্নখিবা ইন্দিয়ন নেভিগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখ্রবসু গোল চনবগী খুদোংচাবা ফংখিদবনা মায়থীহৌখি।

নুমিৎ অসিগী গ্রুপ এগী অতোপ্পা মেচ অমদা আর্মি গ্রীননা এস সি গোৱাবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা আর্মি গ্রীনগী গোল অদু মখোয়গী কেপ্টেন পি সি লালৱোমকিনানা গোল অনী চনখি। অদুগা স্পোর্টিং ক্লব গোৱাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জোর্জ দি সৌজানা চনখি। আই লীগকী সাইদ অমা ওইখিবা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা উপায় লৈতনা আর্মি গ্রীনগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

# অম্মদ বুট্টপু পাকিষ্টানগী টি ২০ স্কাদতা য়াওবা ঙমখ্রে

করাচি, সেপ্টেম্বর ০২ :
ইংলেন্দনা যুম্বু ওইদুনা মাঞ্চেষ্টরদা সেপ্টেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা টুয়েন্টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচকীদমক পাকিষ্টানগী মেম্বর ১৩ না শাবা টি ২০ স্কাদ অমা ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা শহিদ অফ্রিদিনা ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থাখ্রবা মরম ওইদুনা সরফারা অহমদপু লৈবাক অসিগী কেপ্টেন হাপ্পুনা পাকিষ্টান টিমবু লুচিংলগনি।



মেম্বর ১৩ না শাবা টি ২০ স্কাদ অদুদা রুকি ওল রাউন্দর অম্মদ বুট্ট য়াওবা ঙমখি। টিম অসিদা হৌজিক হৌজিক ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নরিবা ৱান দে সেরিজদা য়াওরিবা ক্রিকেটর তরাসু য়াওবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ টি ২০ দা শরুক য়াখিবা পাকিষ্টান্না মশক থোক্না মখোয়গী পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদবদগী য়াম্না ঙন্না টুর্ণামেন্ট অদুদগী লৈহৌখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মদুগী দাইত্ব অদু শহিদ অফ্রিদিনা লৌজখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টান টিমদগী চহী অসিগী মে থাদগী পোত্থাখি। অফ্রিদিনা পোত্থাখ্রবা মতুং ৱিকেট কিপর সারফারাজ অহমদনা পাকিষ্টানগী টি ২০ ইন্টরনেসনেলগী কেপ্টেন ওইবা অহানবা ওইরে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা অম্মদনা হৌজিক ফাওবদা টি ২০ মেচ তরুক শান্নখ্রবসু পাকিষ্টান টিমদা য়াওবা ঙমখি। মহাক্না মহাক্কী লৈবাক্কীদমক ফার্ষ্ট ক্লাসকী মেচ তরেৎ শান্নখিদুনা অকক্লবা এক্সপিরিয়েন্স লৈবা প্লেয়র অমা ওইরি।

হন্দক্তা ইংলেন্দদা চত্তুনা শান্নরুবা পাকিষ্টানগা এ সাইদতা অম্মদ য়াওখি। অদুবু মহাক্না মদুদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদে। টিম অদুদা য়াওরবা পাকিষ্টানগী মেম্বরশিং অদুদি সারফারাজ অহম্মদ (কেপ্টেন), খালিদ লাতিফে, শারজিল খান, সোআইব মালিক, মুহম্মদ রিজৱান, বাবর অজাম, ইমদ ৱাসিম, মুহম্মদ নৱাজ , অম্মদ বুট্ট, মুহম্মদ অমির, সোহেল তানবির, ৱাহব রিয়াজ, মুহম্মদ ইরফাননি।